# হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ হোকিগী ফাইনেলদা হোকি য়ুনিয়ন অমসুং এস ৱাই য়ু সি শান্নরগনি



ইম্ফাল, জানুৱারি ১৫ ঃ মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৩ শুবা হেরোজিৎ ৱারিবম অন্দর-১৪ গোল্ড কপ ২০১৬ কী ফাইনেল থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌগা শান্নরগনি।

টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেলদা হোকি য়ুনিয়ন্না ফাম ইম্ফাল গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা হোকি য়ুনিয়ন ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা হোকি য়ুনিয়ন্না পেনালটি কোর্নর অমা অদুগা ফাম্নসু পেনালটি কোর্নর অমা ফংনখিবদা টিম অনীমক্না গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেচ অদুদা হোকি য়ুনিয়ন্না মায় পাকচরবসু ফামগী শান্নরোয় পি ঐচ সনায়াই অমসুং এন রোজিৎনা গোল অমমম মথংশিংনা মেচকী ১৯ অমসুং ২৯ শুবা মিনিটতা চন্দুনা হোকি য়ুনিয়ন্দগী গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখি।

গোল অনী শোত্থনা লৈরিবা হোকি য়ুনিয়নগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মীকুপ নাহুমশিংনা অমসুং চেকশিন্না শান্নরকপদগী গোল অহুম অমুক থংন-থংননা চনশিন্দুনা মেচ মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। হোকি য়ুনিয়নগী গোল অহুমক এ সুরেসনা থংনা থংননা মেচকী ৩৮, ৪৫ অমসুং ৪৯ শুবা মিনিটতা চন্দুনা ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌনা কে ঐচ এস সি খোংমন গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীদুনা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌ ফাইনলে চঙখিবনি। মায়থীহৌরবা কে ঐচ এস সি খোংমন ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌখি।

মেচ অদুদা এস ৱাই য়ু সিনা পেনালটি কোর্নর ৪ ফংখিবদা গোল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। কে ঐচ এস সি খোংমন্না পেনালটি কোর্নর ৪ ফংখিবদা গোল অমা মেচকী ৪৬ শুবা মিনিটতা এম সিরজিৎনা চনখি। এস ৱাই য়ু সিগী গোলশিং অদু কে ঐচ সঙ্করনা গোল অনী মেচকী ২৪ অমসুং ৪১ শুবা মিনিটতা চনখি। এস উমাকান্তনা মেচকী ৮ শুবা মিনিটতা, এস ঐচ সুসিলনা গোল অমা মেচকী ১৮ শুবা অদুগা এস ঐচ থোইনা গোল অমা মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি।




H/L-B/2902/15,16,17



HL-B/2835/8/12to8/01



HL-B/2883/10,13,16,19,22,25,27,30Jan








Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com